# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখ্‌দুনা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলি।

২)  কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা ঙরাং ইমপ্লোয়িজ ইনরোলমেন্ট স্কিম ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৩)  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ছত্তিসগর য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা মাওইষ্টকী হিংশাগী থৌদোক থোক্তবা মফম ওইরক্কদবা ক্ইরক্ত্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখ্‌দুনা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং প্রিপাক্কী মীওই অমা ইম্ফালগী ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী ফারে। বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ চীংখাদগীসু ঙরাং প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনিসু ঙরাং শগোলবন্দদা লৈবা মখোয় মখোয়গী ময়ুমদগী ফারে। মখোয়দগী পোইন্ট থ্রি-টুগী পিষ্টোল অমা, আই.ই.দি অমা, দিতোনেতর অমসু ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মমাং থাগী ৩১ দা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু থৌংজ় পার্ট-টুদগী ফারে। মহাক অসি মীয়াম অমদি সরকারগী স্কুলশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকি হায়রি।

মমাং থাগী ৩১ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অঙাং অমগা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনিগসু তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফারে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং লুৱাংশংগোল অমসুং ফলেং খুলগী মরক্তগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা-লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল গন মঙা, কাত্রিজেস ১১, বাউফেং ৱায়ারলেস সেট অনি য়াওরি।

জিরিবাম জিলাগী লৈঙাংপোকপী পুলিস আউটপোষ্টতা লন্বী অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা ঙরাং লুপা লিশিং ৭২ রোমগী ওইগদবা বিয়ার কেন ৪৮০ শু ফারে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

কৃতিক্স (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়রি-মীয়ামদা মরৈবাক নীংবগী ঈথিল পীবা ঙম্বা ড্রামা পুথোকপা তঙাইফদে।

ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়ন (এম.দি.য়ু)গী হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা কৃতিক্স ফোরম মণিপুর লিংখৎখিবগী ২০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরী দ্রামানা চহি চামা শুরকপগী চহি অমা চুপা চথরকপা পালন লোইশিনবগী থৌরম অমসুং বরমিজ ওকুপেসনদগী নিংখা তম্লকখিবা চহি ২০০ মপুং ফারকপগী নীংশিং থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- তুংগী মীরোলগী য়েংদুনা অফবা থবক পাঙথোকবা ঐখোয় খুদিংমকা হোৎনফম থোকই।

দেঙ্গি (এল)ঃ মনিপুরদা ঙরাং পুন্না দেঙ্গিগী সেম্পল ১০৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৬২পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রিমস হোস্পিতালদা পুন্না সেম্পল ৫৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩১ পোজিটিব ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ৪৮ টেষ্ট তৌবদা ৩০ পোজিটিব ওইখি অমসুং

লন্নাই হোস্পিতালদা সেম্পল অমা টেষ্ট তৌবদা মীওই অদু পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

স্কিম ঃ  কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা ঙরাং ইমপ্লোয়িজ ইনরোলমেন্ট স্কিম ২০২৫ হৌদোকখ্রে। ইমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন লিংখৎখিবগী ৭৩ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরমদা মন্ত্রিনা স্কিম অদু হৌদোকখিবনি।

মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- স্কিম অসিনা কর্ম্মচারি পুমমক্কী সোসিয়েল সেক্যুরিতি ফংহনগনি। স্কিম অসি ঙরাংদগী হৌরগা থা ৬ চুপা ২০২৬ কী এপ্রিল ৩০ ফাওবা হাংদোক্কনি হায়রি।

রাষ্ট্রপতি ঃ   রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ হুমিগী উত্তরাখন্দ খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। রাষ্ট্রপতিনা ঙসি হরিদ্বারদা য়ুনিভর্সিতি পতাঞ্জলিগী অনিসুবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। শ্রীমতি মুরমুনা হয়েং উত্তরাখন্দ রাজ্য শেমখিবগী সিলভর জ্‌বিলি থৌরমগা মরী লৈননা দেহরাদুনদা উত্তরাখন্দ বিধান সভাদা ৱা ঙাংগনি।

রাষ্ট্রপতিনা নৈনিতালগী রাজ ভবন হাংদোকখিবগী ১২৫ শুবা নীংশিং থৌরমদসু শরুক য়াগনি। থা অসিগী মরিদা রাষ্ট্রপতিনা কাঞ্চিধামদা লৈবা নিমকারোলি বাবাগী আশ্রমদা চৎকনি। মদুগী তুংদা নৈনিতালগী কুমাউন য়ুনিভর্সিতিগী ২০ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংগনি।

পিএম ঃ    প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ছত্তিসগর য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা মাওইষ্টকী হিংশাগী থৌদোক থোক্তবা মফম ওইরক্কদবা কুইরক্রে।

রাইপুরদা ঙরাং ছত্তিসগরগী সিলভর জ্‌বিলি পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মাওইষ্টশিংনা অকি তুজং পোকহনবদগী ছত্তিসগরগী ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা লম্বী-থোং, স্কুল অমদি হোস্পিতালনচিংবা তঙাইফদবা মচাকশিং নিংথিনা ফংদনা লাক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- লৈবাক অসিবু নক্সলাইটশিংগী খুৎতগী মপুং ফানা কন্নবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। মদুগী ফল ওইনা চহি ১১ গী মমাংদা লৈবাক অসিগী জিলা ১২৫ দা মাওইষ্টশিংগী হিংশাগী মায়োকরম্বদু হৌজিক্তি শুপগী জিলা ৩ খক্তমক ঙাইরে। শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা থা খরা অসিদা মাওইষ্টকী মীওই কয়া খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকপগা লোয়ননা ভারতকী সংবিধানবু য়ানিংনা মহৌশাগী পুন্সিদা তিল্লরে। ছত্তিসগরগী বাস্তর য়াওনা মফম কয়া ঙসিদি অকি অখঙ লৈতনা হরাউ কুম্মে কয়া পাঙথোকপা ঙমলে।

থৌরম অদুদা পধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১৪ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনখি অদুগা খরগীনা শঙ্গাখি।

সমেলন ঃ প্রসার ভারতিনা কলচর মন্ত্রালয়গা খুৎশমদুনা লৈবাক শিনবা থুংবগী সেন্তর ২৪ দা থা অসিগী ২৯ ফাওবদা পাঙথোক্কদবা অকাশবানি সঙ্গিৎ সমেলনগী ৬৭ শুবা ইদিসন ঙসিদগী হৌরগনি।

ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়- ১৯৫৪ দা অকাশবানি সঙ্গিৎ সমেলন হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মসি ভারতকী খ্বাইদগী ইকায় খুমনিঙাই ওইরবা কলচরেল ত্রেদিসন অমা ওইরক্লি।

বিহার ঃ বিহারদা রাজ্য বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ থাদনগদবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ গী মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ৬ তা থাদনগদবনি। এন.দি.এ, মহাগদ বন্ধন অমসুং অতৈ রাজনীতি দল কয়ানা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মীখলগী রেল্লিশিং পাঙথোক্তুনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি।

অদুমওইনমক, রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ভোৎ খোম্বগী থবক্তা অপনবা থোক্লি। নোং চীংগী ফিভম ফত্তবদগী ঙরাং ষ্টার কেম্পেন্নর অমদি মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা পাঙথোক্কদবা মীফম কয়া য়ৈথোকখি।

দিল্লি ঃ দিল্লিনা য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমা ওইখিবগী ৭০ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ১৯৫৬ কী নবেম্বর ১ দা দিল্লি অসি য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমা ওইখিবনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা দিল্লিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কৃতিক্স ফোরম মণিপুরগী ২০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা, ৭৭ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (আই.পি.আর) ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা দি.আই.পি.আরগী ক্রেদিবিলিতি অসি ষ্টেটকী খ্বাইদগী মরুওইবা মীয়ামগী লন অমনি হায়না চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চমমবা কোকহন্দুনা মীয়ামগী থাজবা মাংহন্দনবা হোৎনবা চংই হায়না চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুরদা লৈরিবা মহে তম্ফমশঙশিংদা নুপী মহৈরোইশিংগী টোইলেট মতিক চানা লৈত্রি হায়বা রিপোর্ট অমা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

পোপি থাদনবা জেদ.য়ু.এফনা ৱার্নিং তৌরক্লি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ফেসন অমগুম তৌরক্লিবা ট্র্যাসন সিষ্টেম কুপা নৈনবা তঙাইফদে হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউ পাডচেদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

খেন্নবশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎপনা ইন্দিয়াগী থৌনানি হায়না গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কৃতিক্স ফোরম মণিপুরগী ২০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে, মরৈবাক নীংবগী ঈথিল পীবা ঙস্বা ড্রামা পুথোকপা মথৌ তাই হায়না স্পিকর সত্যবর্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

চান্দেলদা মহৈরোই মরি ফুরুবগী মীওই ৯ ফাগৎখিবা, য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল য়াওনা নাগা লুপ কয়ানা কন্দেম তৌরকপগী পাউ দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------